**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-08-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৮-০৮-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনিঙাই ওইবা মফমশিংদা অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লেপ্তুনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থরি।

২) এন.দি.এনা মহারাস্ত্রগী রাজ্যপাল ওইরিবা সি.পি রধাকৃষ্ণনবু উপ-রাস্ত্রপতি মীখলগী মীরেপ ওইনবা লাউথোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি-২০৪৭ ফাওবদা সমৃধা ভারত ওইহন্নবগীদমক মহৈরোইশিংনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনিঙাই ওইবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা ওপরেসন চত্থরি। পুলিসকী পাউনা হায়-অককবা পাউ

অমা ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্ফেল পুলিস স্তেসননা কোনবা ঘরি মখা লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা থাংজ নুমিত্তা ফাখি। মীওই অসি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা স্কুল কোলেজশিং অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নৈ হায়রি।

অমরোমদা, দ্রগ ললোনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ক্বাক্তা শাবল লৈকাইদগী মীওই অমা সাপোন কেপ ১০ দা হাপ্লম্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ১১৩ গা কোন্ননা ফাখি। জিলা অসিমক্কী মোইরাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ক্বাক্তা তেরাখোঙশাংবী বজারদগী মীওই অনিসু সাপোন কেপ ২২ দা হাপ্লম্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ২৫৬ কা কোন্ননা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ফারে। মীওই অনি অসিদগী চাকা মরি পানবা গারি অমা, মোবাইল ফোন অনিসু ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইদুনা লম্বীদা গারি থৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা লেপ্পা লৈতনা দ্রাইভ চথরি। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ত্রাফিক্কী নিয়ম কাইনা গারি থৌরকপশিং দিতেন্দ তৌদুনা পুন্না চলান ৪১ ককপগা লোয়ননা লূপা লিশিং ৭৯ লোমগী ফাইন খোমগৎখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ঙরাং কোবিদ পোজিতিভ কেস অমত্তা থেংনখিদে। হকশেল বিভাগকী আই.দি.এস.পিকী চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙরাং মীওই ৬ কী সেম্পল তেষ্ট তৌবদা মীওই অমত্তা কোবিদ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিদে। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা কোবিদ এক্তিভ কেস ১ লৈরি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোতেক্সন য়ুনিট অমসুং সোসিয়েল ৱেলফিয়র বিভাগকা খূৎশমদুনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা জিলা অসিগী বুকপী,

জোতুং অমসুং থানলোন খুলশিংদা পাঙথোকখ্রে। বুকপীদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিসনর মানুৱানচিংনা হায়-নহা ওইরিবশিংদা মতিক চাবা শিক্ষাগী মঙাল পীবনা দ্রগ লান্না শিজিন্নবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মমা মপা ওইরিবশিংনা মচাশিংবু স্কুলদা থাদুনা মহৈ মশিং তমহন্নবা হোৎনগদবনি। অঙাংশিং মহৈ তমহন্দবা হায়বসি মখোয়গী ফংফম থোকপা হক অদু মাংহনবগা মান্নে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী এ.দি.সি জ়েৱল জি হাউকিপনা হায়-ময়াই কাবা নিশাদা লুপখিবনা সমাজ অসিদা খুন্তাক লানশিবগুম থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। মসিনা তুংগী মীরোলশিংদা চাউনা অমাংবা ওইহল্লগনি। মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা নিশাগী মায়োক্তা চপ মান্ননা লেপমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং হেন্না কনশিন্ননবা ৱাশক লৌখি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী পার্বুং খুলদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ফেরজোলনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড হার্ট ডে থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা হকচাংগী ফিভম ফনা থমবগীদমক অফবা পুনশি মহিং হিংনবা পাউতাক পীখি।

**মোদিঃ** নেসনেল দেমোক্রেতিক এলাইয়েন্স(এন.দি.এ)না মহারাস্ত্রগী রাজ্যপাল ওইরিবা সি.পি রধাকৃষ্ণনবু উপ-রাস্ত্রপতি মীখলগী মীরেপ ওইনবা লাউথোকখিববু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তরামা ওকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-শ্রী রাধাকৃষ্ণননা মতম শাংনা মীয়ামগী থবক তৌরকপা অসিদা কখোকপা, মীওইবগী মীনুংশি অমসুং হীরম খুদিংমক্তা থবক খুদিংমকপু হৈ শিংনা পায়খত্তুনা লাকখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-শ্রী রাধাকৃষ্ণননা তোঙান তোঙানবা ফমশিং পায়রকপদা শোত্থরবা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলমখি। মহাকা তামিল নাদু অমসুং মধ্য পদেশনচিংবা মফমশিংদা রাজ্যপাল ওইনা থবক

পুরকপদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলমখি।

মরক অসিদা, ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনসু শ্রী রাধাকৃষ্ণননা উপ-রাস্ত্রপতিগী মীরেপ ওইনবা খল্লকপা অসিদা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখিবা বি.জে.পি পার্লিয়ামেন্তরি বোর্ডকী মীফমা সি.পি রাধাকৃষ্ণনবু উপ-রাস্ত্রপতি মীখলগী এন.দি.এগী মীরেপ ওইনা খনখিবনি। মীফম অদুগী তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট ওইরিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি.নদ্দানা হায়-শ্রী রাধাকৃষ্ণনবু উপ-রাস্ত্রপতিগী মীরেপ ওইনা থাগৎপদা এন.দি.এগী মপাংশিংনা শৌগৎলে।

**ধরমেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি-২০৪৭ ফাওবদা সমৃধা ভারত ওইহন্নবগীদমক মহৈরোইশিংনা মশা মতোমতা মরোমদোম লেপচবা ঙমবগী হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মন্ত্রিনা আই.আই.টি দেল্লিগী মহৈরোইশিংগা হকথেংননা উনবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা মহৈরোইশিংগী তেংবাং পীনবা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈ। সরকারনা ইন্নোভেতর অমসুং রিসর্সরশিংদা হেন্না মাংজিল থানবগীদমক শৌগৎলি অমসুং তেংবাং পীরি। লাক্লিবা মীরোলশিংদা ভারত অসিদা মালেমগী হব অমা ওইহনবা ঙমবগীদমক থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি।

**হাইৱেঃ** লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা শমরিবা নেসনেল হাইৱে-১০ সিক্কীম অমসুং কালিম্পোংগা শমবা অসি নুমিৎ ৬ নি চীং নিংখাইবনা মরম ওইদুনা থিংলুরবা মতুংদা ঙরাংদগী অমুক চথোক চৎশিন য়াখ্রে। নেসনেল হাইৱে এন্দ ইনফ্রাষ্টকচর দেভলপমেন্ট কোওপরেসন এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা লম্বী অসি চথোক চৎশিন য়ানবা শেংদোকপগী থবক্তা মপুং ওইবা থৌদাং লৌখি।

**সিমনার ঃ** আয়ুস মন্ত্রালয়গী মখাদা ওতোনোমস ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লৈরিবা রাষ্ট্রিয়া আয়ুরবেদ বিদ্যাপিতনা শিন্দুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৩০ শুবা জাতিগী থাক্কী সেমিনার অমা পাঙথোক্কনি।

চেরোল অমদা আয়ুস মন্ত্রালয়না হায়- কুমশি চহিগী থিমদি- আয়ুরবেদগী পান্থৈনা অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা নাদ য়েক্তনা থমবা হোৎনবা হায়বসিনি। মন্ত্রালয়না হায়- নুমিৎ নিনিগী ওইবা সেমিনার অসিদা শকাইরবা স্কোলারশিং, প্রাক্তিসনরশিং, রিছার্সরশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা মহৌশাদগী চৎনরকপা আয়ুরবেদগী লায়েং অমসুং অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা নাদ য়েক্তনা থমবগী মতাংদসু খন্নগনি।

সেমিনার অদুদা আয়ুরবেদগী মতেংনা অঙাংশিংবু লায়েংবগী মতাংদা পুথোকপা রিছার্স পেপর পাবা, নহা ওইরিবা স্কোলারশিং অমসুং প্রক্তিসনরশিংনা পোষ্টর পুথোকপা অমদি অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থমবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবনচিংবসু পাঙথোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রুলিং এম.এল.এ মরক্তা কংগ্রেস নুংশিবা য়াওরম্বনা পি.আর লাকখিবনি, শাংথখিবা মপুং ফানা চলাইরবা য়াই হায়না এম.এল.এ-এল.সুশিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন পাদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- মোর্নিং বেল, নহারোলগী থৌদাং, পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙনবা উরে।

পি.এমগী ইন্দিপেন্দেন্স ডে স্পিচতা মণিপুর পনখিদ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপ্ৰী এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- ফৈদিংগা মহারাবিদা শেমগৎলিবা অবুনচিং পার্ককী নেচরেল রিত্রিটনা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিনবা ঙল্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- ইরাং লোইশিনদনা থম্বদা করি কান্নবা লৈবগেঃ ইবোবী হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা, ঐখোয় করিমত্তা তৌবা ঙমদনা লৈরি হায়না এম.পি.বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- নোংমৈ উৎলগা শেল খাইবদা চেন্নবা পুলিস কন্সতেবল অমগা দি.আই তাতা দ্রাইভর অমগা ফারে হায়বা পাউনা অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- কিরতি চক্রা পীরগনি লাউথোকখিবা কেপ্তেইন লালরিনোমা-দদি মিজোরম লৈঙাকা লূপা লাক্ষ ১০ পীরগনি লাউথোকখ্রে, বির চক্রা পীরগনি লাউথোকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈখুদগী স্কার্দণ লিদর রিজ্ৱান মালিক-তদি মণিপুর লৈঙাকা করিমত্তা পীররোইদ্রা হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইল্লিগেল ইনফ্লক্সকী মায়োক্তা নেসোনা ঙসি খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

স্ট্রিট ভেন্দরশিংগী পোলিসি শেম্বীনবা দিমান্দ তৌখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- য়ু.এন.সিগী মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল উনখ্রে, এফ এম আর অমসুং বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা মখোয়গী ফিরেপ খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লা নাগালেন্দগী নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইনসু থবক পুরগনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- তামেংলোং তাইমসতসু ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**